অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনবাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস দল্লিয়ু সীনা জে এ ককচীংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৮ :
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী থৌশিল মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন, ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ ককচীংদা চথুরিবা অহানবা ক্ষেত্রিময়ূম টিকেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল দি এস এ ককচীং অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনবাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দল্লিয়ু সী কৈরকনা জে এ ককচীংবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ হেক হৌখিবগা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু এস দল্লিয়ু সীনা হেন্না মতিং লৈনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেন্ট তৌনা চৎখি। এস দল্লিয়ু সীনা অকনবা এটেক তৌদুনা জে এ ককচীংগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু গোল চনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। জে এসু কাউন্টর এটেক তৌদুনা এস দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু অরেম্বা তাখি। টিম অনীমক্কা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা এস দল্লিয়ু সীনা তেম্পো লৈনা শান্নরকখিদুনা মায়োক্ন খিবা জে এগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা নাওবনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

গোল চনখিবা মিনিট অমা লৈরগা জে এ ককচীংনা মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা দেবেদোনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-১ দা চাঙ মান্ননা লৈখি।

জে এ ককচীংনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা এস দল্লিয়ু সীনা অকনবা এটেক তৌদুনা জে এগী সাইদতা চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা সিটলনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

এস দল্লিয়ু সীনা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা নিসন্না গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। জে এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মখোয়গী অঙনবা শক্তি পুথোক্তুনা এস দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদা চঙখ্রবসু গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংখিদবনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

এস দল্লিয়ু সীনা মখা তানা মায়োক্নখিবা জে এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা সিটলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিদুনা জে এবু মায়থীবা পীখি।

এস দল্লিয়ু সীগী প্লেয়র অকাসপু মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

# সব জুনিয়র মেন এ দিভিজন নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৮ :
কর্ণাটাকানা যূম্বু ওইদুনা বেঙ্গালুরুদা মে ১০ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা তরেৎশুবা হোকি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন এ দিভিজন নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী সব জুনিয়র হোকি টিম ঙসি কর্ণাটাকাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা টিম ২০ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি পুল এদা হোকি নাগপুর-ওদিষা, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই), হোকি ওদিষা, হোকি অন্ধ্র প্রদেশ অমদি দাদ্রা এন্দ নগর হবেলি হোকি এসোসিএশন, পুল বিদা মণিপুর হোকি, হোকি হরিয়ানা, উত্তর প্রদেশ হোকি, হোকি য়ুনিট ওফ টামিল নাদু অমদি হোকি বিহার, পুল সীদা হোকি চান্দিগর, হোকি পঞ্জাব, হোকি মহারাষ্ট্রা, হোকি পটিয়ালা অমদি হোকি ভোপাল, পুল দিদা হোকি ঝরখণ্ড, মধ্য প্রদেশ হোকি একাদেমি, হোকি কর্ণাটাকা, দেল্লি হোকি অমদি ছটিশগর হোকিনি।

মণিপুর টিমবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা এস ৱাই য়ু সীগী সাপম সন্তোস সিংহ অমদি এ জে এস এ জিরিবামগী য়েংখোম শামসন সিংহ, ফুল বেকতা ফামগী টি প্রিয়োবত্তা রোয়, ঐচ য়ুগী দল্লিয়ু অমরজিৎ সিংহ অমদি মৈরাগী টি ঐচ ষ্টেফন, হাফতা ঐচ য়ুগী দল্লিয়ু নিরজকুমার সিংহ, এস ৱাই য়ু সীগী এস অমুজাও সিংহ, বি দি ঐচ এগী এম রবিচন্দ্র সিংহ, মৈরাগী এন জেমসন, বি দি ঐচ এগী এম ব্রেবরি অমদি বি দি ঐচ এগী এম সুসান্তা, ফোরৱার্দতা ফামগী কে এস ঐচ প্রিয়োবর্ত্তা সিংহ, সেয়োগী ইরেংবম ষ্টেলোন, সেয়োগী জি দিঙ্কু শর্ম্মা, মৈরাগী টি ঐচ ইঙালেম্বা, সেয়োগী ইরেংবম রোহিট, মৈরাগী কে ঐচ থোংলেন অমদি বি দি ঐচ এগী কে ইবুংঙো সিংহনি।

মণিপুর টিমগী মেনেজরনা এন রঞ্জিৎ মীতৈ অমদি কোচনা কে এস ঐচ ইবোপিশক সিংহনি।

উরজা সী এ পি এফ অন্দর-১৯ টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নুপামচাগীদা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লব অমসুং থৌবাল ক্লব, নুপীমচাগীদা ক্রিপসা অমসুং ঈ এস য়ুনা ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, মে ০৮ :
ওল ইন্দিয়া স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী থৌশিল মখাদা আইজি এ আর (সাউথ) না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা পূন্না খুৎশম্ননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম অমদি আর্টিফিসিএল টর্ফতা চথুরিবা উরজা সী এ পি এফ অন্দর-১৯ টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লব, অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা থৌবাল ক্লব অমসুং নুপীমচাগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ক্রিপসা, অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঈ এস য়ুনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচা কাঙলুপকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবনা ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্লবপু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবকী গোল অদু তোনদোনবনা মেচকী মিনিট ৮৮ চৎপা মতমদা চনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতসু টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেচ লোইগদবা কুইশিল্লক্তুবা মিনিট ৮৮ চৎপা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবকী কে ঐচ তোনদোনবনা গোল অমা চনশিন্দুনা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবকী রোকি, নাওচা, কেনসন অমদি জেমস অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্লবকী দিলিপকুমারবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

নুপামচাগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা থৌবাল ক্লবনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিমবু ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেচ অদু হেক হৌবগা থৌবাল ক্লবনা মায়োক্নখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিম্নসু থৌবাল ক্লবকী মায়োক্তা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা রিয়ুবেন্না গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল চনশিনখিবগী তপথদ্রবা থৌবাল ক্লবনা তৌখিবা অকনবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা গোপিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

থৌবাল ক্লবনা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা রোজরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাফ ফাওবদা ২-১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা থৌবাল ক্লবনা মমাঙগী হাফতা শান্নখিবা প্লেদগী হেন্না থুনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৭২ চৎপা মতমদা সুরজনা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

থৌবাল ক্লবকী হনবা লৈত্রবা এটেক্তা মখোয়গী প্লেয়র গোপিনা মেচকী মিনিট ৮১ চৎপা মতমদা গোল অমগা অমুক চনশিনখি। মখা তানা থৌবাল ক্লবনা তৌখিবা এটেক্তা গোপিনা অমুক্কসু হন্না গোল অমগা চনশিন্দুনা মায়োক্নখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল ক্লবপু মায়থীবা পীখি।

থৌবাল ক্লবকী রিসি অমদি কিষন অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টিমগী রিয়ুবেন অমদি মনিরঞ্জনবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট স্কুল টিমবু ১১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবা ক্রিপসানা দোমিনেন্ট তৌনা চৎখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট স্কুল টিমগী মায়োক্তা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৮, ৩৮, ৪০, ৪১, ৪৩, ৭৪ চৎপা মতমদা রতনবলানা গোল তরুক, প্রিয়াঙ্কানা মেচকী মিনিট ১৭, ৩৪, ৩৬ অমদি ৪৯ চৎপা মতমদা গোল মরি অমদি রঞ্জনানা মেচকী মিনিট ৮০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

মেচ অদুদা ক্রিপসাগী মেকোলাবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঈ এস য়ুনা ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) বু ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবা ঈ এস য়ুনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি।

মখোয়না মায়োক্নখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) গী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৯, ১৬, ৬৩ অমদি ৮৩ চৎপা মতমদা কাসমিনানা গোল মরি, এন জি স্বিটিনা মেচকী মিনিট ৩৫ অমদি কে ঐচ অঞ্জলি দেবীনা মেচকী মিনিট ৭১ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

মেচ অদুদা ঈ এস য়ুগী লমঙানবী অমদি ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) গী বিনি দয়ারানি দেবীবু অনস্পোর্টিং বিহেয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# ভসাই টিম বি, আই ঈ ভি এফ এ টিম বি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ : ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাৎশোইগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা ভসাই টিম বিনা মুশাবু ২-০ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ঈ ভি এফ এ টিম বিনা য়ু ভি এস এবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা ভসাই টিম বি অমদি মুশা অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীগী পূক্নিং হুরবা মেচ অদুদা ভসাই টিম বিনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেন্ট তৌনা চৎখি। মুশাসু মায়োক্নখিবা সাইদতা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি। অদুবু মশক থোকপা এটেক অমত্তা তৌবা ঙমখিদবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

ভসাই টিম এসু মায়োক্নখিবা সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনরকখ্রবসু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ভসাই টিম বিনা মতিং লৈনা শান্নরক্তুনা মায়োক্নখিবা মুশাগী সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা এন ইমোচানা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

ভসাই টিম বিনা অহেনবা গোলশিং চন্ননবগীদমক মখা তানা এটেক তৌদুনা মায়োক্নখিবগী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা হনবা লৈত্রবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা রাজেন খা-ঙানবনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা এটেকশিং তৌনখ্রবসু অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোলশিং চনবা ঙম্নখিদবদগী মুশানা ভসাই টিম বিগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ঈ ভি এফ এ টিম বি অমদি য়ু ভি এস এ অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মখোয় মখোয়না মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা এটেকশিং তৌখি। আই ঈ ভি এফ এনা মায়োক্নখিবা য়ু ভি এস এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা আনন্দনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা আই ঈ ভি এফ এ টিম বিনা অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। অদুগা য়ু ভি এস এনা ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল চনবা ঙমদবদগী শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু ভি এস এগী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী হৈশিংবা অদু উৎতুনা আই ঈ ভি এফ এ টিম বিগী মায়কৈদা চেলেঞ্জ তৌদুনা চঙশিল্লকখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা বিজয়না গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

আই ঈ ভি এফ এ টিম বিনা মেচ মায় পাক্ননবগীদমক অকনবা এটেক তৌদুনা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৯ চৎপা মতমদা আনন্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।

মখা তানা আই ঈ ভি এফ এ টিম বিনা অহেনবা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা চনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা য়ু ভি এস এবু মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা ভি এস এ সোরা অমদি শিরটি চান্দেল অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এস সী অমদি ভসাই টিম এ অনীনা শান্নগনি।




HL-B/3831/25/04-25/5





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com